ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯰, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯰꯵ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, ওক্টোবর ২০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২০৫শুবা মশীং

# কম্ম্যুনেল কেম্পেন

## তৌহৈদে, তৌহন্নীংদে, তৌরক্কনু

হৌজিক মণিপুরগী ১২শুবা অনৌবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লক্লে। মীখলসিগী নুমিৎ নকশিল্লকপগী হৌনবা পোলিটিকেল পার্টিশিং, মখোয়গী মীরেপ ওইগদবশিং য়াওনা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট পূম্নমক্না মখোয়গী মীরেপ অমসুং মীখলসিগা মরী লৈনবা এক্টিভিটি কয়া চঠনরক্লে। চুম্নতগী মীখলসিগী থৌরাং তৌনরকপদগী হেন্দোরক্তুনা অকনবা কেম্পেন কয়া হৌরক্লে। তৌসনু, মীখল নকশিল্লকপগীনি, হৌনশানি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) অমসুং চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর, মণিপুরগী মায়কৈদগী মীখল অসিগীদমক লাক্লকপা পাদমশিংগী মখাদা পাঙথোকপা য়াবা মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকচসনু। পাঙথোক্কনু হায়বা পাঙথোকফম থোক্তবা, অয়াবা পীদবা থবকশিংনা পাঙথোক্তনা মীখলসি ফ্রী এন্দ ফেয়র ইলেক্সন অমা শোয়দনা ওইহনবা ওইরকসনু। হৌজিক ইফোং ফোংনা উনরিবা মীখলগা মরী লৈনবা থবকশিং অসিদগী হেন্দোরক্তুনা ইলেক্সনসিদা শোয়দনা মায় পাক্লবগীদমক ফোংনা, মীৎমাং থোক্লা তৌনদবা শেল অমসুং মমল য়াম্বা পোৎ চৈশিং পীনবা, লৌনবগী থবক ফাওবা নাশোন পিক্লা, শোৎ-প্রেক লাওদনা চঠনরক্কদৌরিবনি। মসিসু হৌজিক্কী মতমসিগী হোংলক্লিবা ইলেক্সনগী মরু ওইবা মচং অমনি। মসিমক্তি অচুম্বা তৌরকফম থোক্তবা থৌওং, কৈদানি। অদুবু মসিনা মণিপুরগী অকক্লবা মফম অমগী নৎত্রগা ষ্টেট অপূম্বদা মীয়ামগী মহৌশাগী ঈং-তপ্পা পুন্সিদা থোইদোক্লা অকায়বা পীরক্লোইদবা ওইরবদি উহৌবা, খঙহৌবশিংনা ফাওবা থৌনা ফনা চোঙথোক্লরক্লোইদবনা মীয়াম্না তৌরে হায়বা খঙলবা ফাওবদা ফোংনা মনা-মনিল নাইনরক্ত্রিবনি। ঙসি ফাওবদা 'ওপন সিক্রেট' ওইদুনা চঠরকপা মখলগী থবকশিংগী মনুং চল্লক্লিবনি।

অসিগুম্বা থৌওংসিদা ভোটরশিংনা পীবা অমসুং লৌবদা চেন্নরবসু পূম্নমক্কী ওইনা য়েংবদদি অফবা, অচুম্বা ওইদবনিনা ইচা ফত্তবা চাওবা ঙাইবা, ইপুরোইবা ফত্তবা শিবা ঙাইবা হায়বদুগী ফীভমদা লৈরক্লবনি। অদুবু হন্দক্কী পাঙথোক্লগদবা মীখলসিগী মাঙওইননা চঠনরকপা মাগী মাগী পার্টিনা এবসোলুট মেজোরিটি ফংনবগীদমক কেন্দিদেট মশীং য়াম্না মায় পাকহন্নবগী কেম্পেনদা 'কম্ম্যুনেল কেম্পেন' য়াওরকপা অসিদি চুমদে। হায়রিবা ফৎখিদ্রবা, তৌফমসু থোক্তবা, তৌরোইদবা ভোট খুখোমসি হৌজিক চঠনরক্লে। থৌওংসি হন্দক্লা অহানবদি নত্তে। চহী খরগী মমাঙদগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং, মখোয়গী মীরেপশিংনা পায়দুনা শান্নরক্লবা লৈবাক কায়নবগী মশক ওইবা থৌদৌনি। মসিনা লমদমসিদা য়েলহৌ ফুরুপ মশেল ওইনা নুংশি-চান্নবা হিংমিন্নরক্লিবা ঈগী মরীদা অকায়বা, অপনবা থোকহল্লক্কনি। কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনহন্দবা, য়েংথিনবগী মরূ হুলহনগনি। মরূদুনা পোকখায়রকপদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোরক্কনি। খ্বাইদগী ঙক্লিবদি হৌজিক ভোটকীদমক কম্ম্যুনেল কেম্পেন চঠরক্লিবা লিদর অমসুং মীরেপশিং অসিনা হয়েং মীখল মতুংদা মীহুৎ ওইরক্লগনা চীং-তম অমত্তনি, ঐখোয় ইচিন ইনাওনি, কাইনবা য়ারোই, নুংশি চান্নবা লৈমিন্নগদবনি অমুক হায়রক্কনি। মসিগী মথক্তা মখোয়গী কেম্পেন অসি তমগী তম্মীশিংদনা অমা ঙাঙনি, চীংগী চীংমীশিংদনা অমা ঙাঙনি। লৈতোল শরূ পান্দে হায়বদুগী ফীভমদা নুমিৎলৈগী শক্লোন লৌরক্কনি। মসিদি ইকায়বা খঙদবনা পুক থল্লি হায়বদুগী লম্বীদা ভোট ফংনবা চঠরকপা কেম্পেননি। ভোটরশিংনা মশক ফজনা খঙহৌসি। চহী খরগী মমাঙদা চীংগী মীহুৎশিংনা চীংদা পাঙথোকপা মীয়াম তিনবা থৌরমদা তম্মীশিং হুন্দুনা, চৈদুনা ঙাঙবদা মখোয়গী সিক্যুরিটি এস্কোর্ট পর্সনেলশিংদুদা য়াওবা তম্মীশিংদা 'ভোট ফংনবা পংহায় হায়বনি, শাওগনু হায়খিবা ৱাফমসি থৌরমদুদা পাউ লৌবা চৎপা পাউমীশিংদা ফাওবা হায়রকপা য়াওখ্রে। মদুমক হৌজিক তম্পাক্কী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৪০দা কেম্পেন চঠরক্লিবা পার্টি অমসুং মীরেপ ওইগদবশিংনা হঞ্জিন্না অমুক তৌরক্লে। মসিদি ভোটরশিংবু চিরোল তৌরগা হুমদুনা পুগে হায়বনি। মরীল লৈরগনা ফোংনা পব্লিক প্লেটফোর্মদা লাউরক্লোদনা। অদুসু ঙল্লোই, লাউফমসু থোক্তে। মীথিংগাইগী থবক কৌই। অদুনা চিরোল-খারোল ওইনা অমম্বা নুমিদাংদা, অহিংদা চঠরকপনি। অদুবু ভোটরশিংনা মখোয়সি কনানা কনানো হায়বসি মশক মুন্না খঙই, খদ্রক্তুনা য়ারোই হায়বসি হন্দক্কী মীখলসিদা চপ চানা খঙহলহৌগদবনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮

১) *"জাতি কৌবী শকহেনবী/লৈরাংলক্তগী অথোইবী/পাম্মুবৈ চেংলৌ উবরা/নুজা ঐঙোন্দা তম্মুবা"* হায়বা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না তানরিবা অরিবা ঈশৈ অসিগী শৈরেংবা কনানো অমসুং করি দ্রামাদা শকখিবা ঈশৈনো?

২) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা ইরম্বশিংদগী খনগৎলগা মণিপুরীদা হন্দোক্লগা পুথোরকপা **"রবীন্দ্র লৈচল"** হায়বা লাইরিক অসিগী অফোঙবগী মমিং হায়য়ু।

৩) ***"ইফেল টব্রার মখোঙদা কংলৈ থোকপা"*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***"লম অসিদা লৈবা মরু মরু ওইবা চীংশিং অসিগী মরমদা তোপ্লা তোপ্লা ইরম্বা লাইরিক কয়া থেংনজে।"*** অসিগুম্বা লাইরিকশিং অসিদগী খরমখৈ পুনশিল্লগা পুথোরকপা লাইরিক অদু করি লাইরিকনো?

৫) ***"লৈপাক্কী মুর্তি"*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নোবেল প্রাইজ ২০২১ : কেমিষ্ট্রি

## মোলিক্যুল শেম্নবগী অনৌবা খূৎলায় : ওর্গানোকতালিসিসকীদমক

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**

তাইবঙপান অসিদা জীবশিং শেম্লকখিবদগী মথং-মথং লাকখিবা ইভোল্যুসননা ওইহল্লক্লিবা ঙসিগী মালেম অসিদা কেমিষ্ট্রিগী থৌদাংসি অসুক্কী মতিক চাওখ্রে। মহৌশা খূৎশেম্না মীওইবদা তন্বীরিবা কেমিষ্ট্রি অসি খুমাং য়াম্না চাওশিল্লে হায়না লৌরবসু, মহৌশাগী কেমিষ্ট্রি অদুমক শীজিন্নদুনা, মহৌশানা পুথোক্লিবা পোৎশকশিং অদুমক পুথোকপা ঙমগদবদি য়াম্না ৱাৎলি। খুদম ওইনা, মীওইবগী হকচাং মনুংদা থোক্লিবা বাইও-কেমিকেল রিএক্সনশিংসিদা পুথোরক্লিবা পোথোকশিংসি লোইনমক মীওইবনা পুথোকপা ঙমদ্রি। অসিগুম্বা রিএক্সনশিংদা য়াম্না চাওনা মতেং পাংলিবসি *এঞ্জাইমশিং* হায়না খঙনবা কেমিষ্ট্রিগী তোপ-তোপ্লবা খূৎলায়শিং অসিনি।



Benjamin List



David Macmillan

হন্দক চহীগী কেমিষ্ট্রিদা নোবেল প্রাইজ পীগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা ৱাহৈ অনীখক্কী মরু ওইবদু খঙদবা য়ারক্ত্রে। ৱাহৈ অনীদুদি *কতালিসিস* অমসুং *কতালিষ্ট* হায়বসিনি। কতালিষ্ট হায়বসি কেমিকেল রিএক্সন অমবু থুগৎহনবা নৎত্রগা তপথহনবা ঙম্বা অদুবু মশামক্তি কেমিকেল রিএক্সন অদুগী পোথোক অমগী শরুক অমা ওইনদি শরুক য়ারুদবা পোৎশক অমনি; অদুগা মসিগী থৌওংসিবুনা কতালিসিস কৌই। কতালিষ্টশিং মথং-মথং পুথোক্লরকপগা লোয়ননা মখোয়না হীদাক-লাংথক শেম-শাবা, প্লাষ্টিক, অকে-অমৌগী পোৎশিং, চিঞ্জাক মখল-মখা কয়া শেম-শাবা অমসুং অতৈ লম্ কয়াদা চাওরবা থৌদাং লৌরি।

মথক্তসু পনখ্রবা *এঞ্জাইমশিং* অসি অহিংবা জীব খুদিংমক্তা য়াওবা কতালিষ্টশিংনি। অসিগুম্বা এঞ্জাইম কয়াদি ঐসিমেত্রিক কতালিসিসকী স্পেসলিষ্টশিংনি; এঞ্জাইম অমগী ওইথোকপা য়াবা অনীগী মনুংদগী মিরর ইমেজ অমা মতম পূম্বদা শেম্মী। এঞ্জাইম অমনা কেমিকেল রিএক্সন অমদা মথৌ তৌবা লোইখ্রবা মতুংদা অতোপ্পদুনা অমুক তৌবা হৌরকই। মতৌ অসুম্না মখোয়না কলেষ্টরোল, ক্লোরোফিল অমা ওইরিবা হূ চেনবা ষ্ট্রিক্লিন (Strychnine) গুম্বা কমপ্লিকেটেদ মোলিক্যুলশিং শেম্বা ঙম্মী।

Benjamin List না কতালিটিক এন্টিবোদিশিংগী মতাংদা নৈনরম্মী। মহাক্না এঞ্জাইমশিংনা তশেংনা তৌরিবা থবকসি করিনো হায়না খনবা হৌরকখি। মখোয়দা মহৌশানা এমিনো এসিদ চা কয়ানা শেম্বা মোলিক্যুলশিং খক্তা নত্তনা কেমিকেল রিএক্সনশিংদা মতেং পাংবা ধাতুশিংসু য়াওই। অদুবু ধাতু য়াওদবা এঞ্জাইম কয়ানসু কেমিকেল রিএক্সনশিংদা মতেং পাংই। মসিগী মহুত্তা, এঞ্জাইমদা য়াওরিবা এমিনো এসিদ অমা নৎত্রগা ময়াম্না রিএক্সনশিংবু থোকহল্লি। মতাংসিদা বেঞ্জামিন লিষ্টনা হংখিবা ৱাহংদি : কেমিকেল রিএক্সন অমবু কতালাইজ তৌনবগীদমক এমিনো এসিদশিংসি এঞ্জাইম অমগী শরুক ওইব্রা? নৎত্রগা এমিনো এসিদ অমনা নৎত্রগা অতোপ্পা মান্নবা মোলিক্যুলশিংনা মসিগা মান্নবা মথৌ তৌব্রা?


বেঞ্জামিন লিষ্টনা *প্রোলাইন* (proline) মতিক চারবা কতালিষ্ট অমা ওইবখক্তা নত্তনা, এমিনো এসিদ অসিনা ঐসিমেত্রিক কতালিসিস থোকহনবসু ঙম্মী হায়বদু উৎলকখি। ধাতুশিং অমসুং এঞ্জাইমশিংগা চাংদম্নবদা, প্রোলাইন অসি য়াম্না চম্মী, মমল হোঙই অমসুং অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীদবা মোলিক্যুল অমনি। বেঞ্জামিন লিষ্টনা খুদোংচাবা কয়ামুক লৈরবা অনৌবা কোন্সেপ্ট অমা ওইনা ওর্গানিক মোলিক্যুলশিংগা লোয়নরিবা ঐসিমোত্রিক কতালিসিসকী মতাংদা শন্দোক্লা তাক্লকখি। মহাক্কী থিজিন-চেরোলদু কুমজা ২০০০গী ফেব্রুৱারীদা ফোঙদোরকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা, David MacMillan না থিজিল্লম্মী। ওর্গানিক মোলিক্যুলশিংসি কার্বোন এটমশিংগী ফ্রেমৱার্ক অমদা এক্টিভ কেমিকেল গ্রুপশিংনা শমজিনবা, অহিংবা জীব পূম্নমকপু শেম্লিবা মোলিক্যুলশিংনি। মহাক্না চুনবা মগুণশিং চেনবা ওর্গানিক মোলিক্যুল কয়ামুক খনগৎলম্মী, অদুগা কেমিষ্টশিংনা কার্বোন এটমশিংগী রিংশিং শেমহন্নবগীদমক শীজিন্নবা, Diels-Alder reaction অমা থোকহনবদা মোলিক্যুলশিং অসিগী তৌবা ঙম্বা মতিক-মগুণশিংদু চাং য়েংলম্মী। ওর্গানিক মোলিক্যুলশিংদুদগী খরনা ঐসিমেত্রিক কতালিসিসপু শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা থোকহল্লম্মী। ওইথোকপা য়াবা মিরর ইমেজ অনীগী মরক্তগী অমদা ফংলক্লিবা পোথোক্তুগী ৯০% শেম্বা ঙল্লম্মী। অসিগুম্বা মখলগী কতালিসিস অসিবু David MacMillan না *ওর্গানোকতালিসিস* হায়না থোল্লম্মী। মহাক্কী থিজিন চেরোলদু, বেঞ্জামিন লিষ্টতগী মাঙজৌননা কুমজা ২০০০গী জন্যুৱারীদা ফোঙদোক্লবগীদমক সাইন্টিফিক জর্নেল অমদা পীশিনখি।

David Macmillan অমসুং Benjamin List না অমনা অমগী মতৌ তম্নদনা, কতালিসিসকী অনৌবা কন্সেপ্ট অমা পুথোকখি। কুমজা ২০০০দগী লম্ অসিদা চাওখৎলকপসি অসুক্কী মতিক থুখ্রে মদুদি মসিবু গোল্ড রশ অমগা চাংদম্নে। মখোয় অনীনা কেমিকেল রিএক্সন ময়াম অমবু থোকহনবদা মতেং পাংবা ষ্টেবল ওইবা অমসুং মমল হোঙবা ওর্গানোকতালিষ্ট ময়াম অমা শেমগৎলকখি। ওর্গানোকতালিষ্টশিংনা মরু ওইরবা প্রদক্সন প্রোসেস অমবু অপনবা লৈহন্দনা থোকহল্লি। অসিগুম্বা রিএক্সনবু কস্কেদ রিএক্সন কৌই। খুদম ওইনা, ষ্ট্রিক্লিন অসি ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৯৫২দা শুংদোকপা মতমদা তোঙান-তোঙানবা কেমিকেল রিএক্সন ২৯ চঙখি অদুগা ষ্ট্রিক্লিন শুংনবগীদমক শীজিন্নখিবা কেমিকলশিংদুগী ০.০০০৯% খক্তনা ষ্ট্রিক্লিন পুথোকপা ঙমখি, হায়বদি অতৈশিংদুনা লেমহৌখাক ওইনা হুন্দোকখি। কুমজা ২০১১দা, ওর্গানোকতালিসিস অমসুং কস্কেদ রিএক্সন শীজিন্নদুনা ষ্ট্রিক্লিনবু ষ্টেপ ১২দা শুংবা ঙমখি অদুগা প্রদক্সন প্রোসেস অদুনা শরুক ৭,০০০ হেন্না ফগৎলম্মী।

ওর্গানোকতালিসিস অসি হীদাক-লাংথক শুংবগী লম্দা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌওং অমনি। থৌওংসি শীজিন্নরগা হৌজিক্তি চাংদম্নবা য়ানা চমখ্রবা তোঙান-তোঙানবা ঐসিমেত্রিক মোলিক্যুলশিংগী য়াল্লবা চাংশিং পুথোকপা ঙল্লে। খুদম ওইনা, তাঙনা ফংবা পাম্বী অমসুং লূরবা সমুদ্রগী ঈরোলনুংদা ফংবা জীবশিংদগী য়াম্না য়ামদবা চাংদা শুংবা ঙল্লম্বা হীদাকশিংবু ঙসিদি মরাং কায়না পুথোকপা ঙমহল্লে। অসুম্না পুথোরকপা হীদাকশিংগী মরক্তগী খরদি : খোইরাং-খোইশাওনবা অমসুং দিপ্রেসন লায়েংবদা শীজিন্নবা paroxetine অমসুং শ্বর হোনবগা মরী লৈনবা ইনফেক্সনশিং লায়েংবদা শীজিন্নবা, এন্টিভাইরেল oseltamivir নি।

মরম অসিদগী, রোয়ল স্বিদিশ একাদেমি ওফ সাইন্সেসনা জর্মন সাইন্টিষ্ট বেঞ্জামিন লিষ্ট অমসুং য়ু এস এগী দেভিদ মেকমিল্লনদা কুমজা ২০২১গী নোবেল প্রাইজ পীনবগী ৱারেপ লৌখ্রে অমসুং লাউথোকখ্রে। মখোয় অনীগী শিংথানিংঙাই ওইরবা হীদাক-লাংথক শুংবা অমসুং হূ চেনবা কেমিকেলশিং থাদোকহন্দবা কেমিষ্ট্রিগী পাম্বৈশিংদা চাওনা হোংহনবা ঙল্লিবা ওর্গানোকতালিসিস অসিগীদমক মালেমগী খ্বাইদগী লেম্লবা মনা অসি পীবদা মতিক চাই। ●




**মোলিক্যুল ময়াম অমদি ভেরিএন্ট অনী লৈঃ অমনা অতোপ্পা অমদুগী মিরর ইমেজ ওই। মখোয়না মীওইবগী হকচাংদা তোঙান-তোঙানবা ইফেক্তশিং হেক হেক থোকহল্লি। খুদম ওইনা, লিমনিনগী ভেরিএন্ট অমদা চম্প্রাগী মনম চেল্লি, অদুগা মিরর ইমেজ অদুদনা কোল্লাগী মনম চেল্লি।**

# বর্লিন ওলিম্পিক অমসুং হিটলর (১৯৩৬) # ৯

- লৈশাংথেম অজিৎ -

মথংগী নুমিত্তা "সো জম্পকীদমক" কোনার্দ শেম-শাদুনা মহাক্কী শরূ অতেকপা অদু ফিয়েৎশিন্দুনা পুনশিল্লগা থোরক্লম্মী, মীয়াম্না মতৌ অদু উবদা খূবাক খুদুনা মহাকপু থাগৎলম্মী।

মহাক্কী শগোলনা মথং-মথং চোঙবা হৌরকপদা "দবল-জম্প" অমা পাঙথোক্কদবদা শগোল অদু কন্না চেনশিনখিবদগী মহাক্না খুর্জি অদু মখূৎ অনী থাদুনা চিংলুবদা শগোল অদু লোংখৎলক্তুনা তুংওইননা তুদুনা কোনার্দকী মথক্তা নন্দুনা তাশিল্লম্মী। কোনার্দ এফ ডোন-ৱাঙগেনহেইমনা অমুক হৌগৎলক্তুনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা লমথুংফম য়ৌখি, ষ্টেদিয়মদা তিল্লিবা মীওই লাখ অমনা খূবাক খুদুনা মঙোন্দা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মরমদি মহাক্কী মথৌনা অমদি মরিংজেলনা জর্ম্মনিগী টিম্না সনাগী মেদল লৌখি। লুদৱীগ, আর-লীপ্পট অমসুং কোনার্দ জর্ম্মনি টিমগী মেম্বরনি। পোলেন্দ, গ্রেটবৃটেন অমসুং জেকোস্লোভাকিয়ানা অনীশুবা, অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা পোজিসন ফংখি। লেফটনেন্ট ওটোমর-বুরেসনা কিলোমিটর ৮ (নিপাল) গী ক্রোস-কন্ট্রিদা পুং ২ মিনট ৪৬কা সেকেন্দ ৩৬ চঙলম্মী। মরমদি মহাক শগোল অয়াম্বা লানথোকপা ঙমদদুনা পেনালটি পোইন্ট য়াম্না ফংলম্মী। মরম অদুনা মতম কুইনা চঙলম্মী। মখোয়না মিনট ১৭কা সেকেন্দ ৪৬কী মনুংদা কিলোমিটর ৮ অদু থৌগদবনি। চহী ৭২ শুরবা অষ্ট্রেয়াগী জেনরেল অরথর-ভোন-পোঙগ্রেসনা "দ্রেসাজগী টিম' দা শরুক য়াদুনা টিম অদু মরিশুবা তাখি। মহাক্না চহী ৬০ শুবা মতমদা কুমজা ১৯২৪গী পেরিসতা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা অহানবা ওইনা শরুক য়ারম্মী। বর্লিন্দা মহাক্না খ্বাইদগী অহল ওইরবা শান্নরোয়নি।

১৯শুবা শাতাব্দি লোইরকপদা শগোল কাংজৈ অসি মালেমগী মফম অয়াম্বদা শিনবা থুংনা শন্দোক্লম্মী। নোংপোক থংবা লোংগিচ্যুদ ৯৩.০০ অমসুং ৯৪.৭৮, অৱাং থংবা লেটিচ্যুদ ২৩.৮৩ অমসুং ২৫.৬৮গী মরক্তা লৈবা 'মণিপুর' শগোল কাংজৈ অসিগী হৌরকফমনি। মণিপুরগী নিংথৌগা বৃটিশকা মরী লৈনরক্লবা মতমদা মখোয়না মশান্না অসিবু তমখিদুনা মালেম শিনবা থুংনা শন্দোকখি। কুমজা ১৮৫৩-৫৪গী নিংথমথাদা মালেমগী অহানবা ওইনা মীয়াম্না শকখঙনা মণিপুরীশিংগা বৃটিশ মচাশিংগা সিলচরগী লম্পাক্তা (সিলচর মৈদান) শগোল কাংজৈ শিঙনখি। ফুরুপ অমগা ফুরুপ অমগগী মরক্তা শগোল কাংজৈ শিঙনবা অসি হন্দক্কী অসিনা মালেমদা অহানবনি। মতম অদুগী কছার জিলাগী এসিষ্টেন্ট দেপ্যুটি কম্মিস্নর কেপ্তেন রোবার্ট-ষ্টেৱার্টনা শিন্দুনা শান্নখিবনি। কুমজা ১৮৬১দা মফম অসিদা দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ময়ূমদা কেপ্তেন রোবার্ট-ষ্টেৱার্ট অমসুং লেফটনেন্ট জিও-সেররগনা শিন্দুনা মালেমগী অহানবা পোলো ক্লব 'সিলচর পোলো ক্লব' শেমখি। ইন্দিয়াগী ৱাংমদা অহানবা ওইনা শগোল কাংজৈ শীংনখিবদি কুমজা ১৮৬৯দা ইংলেন্দগী হোওসলোদা ওইরম্মী। মশান্না অসিবু কুমজা ১৯০০দা পেরিসতা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ওলিম্পিক গেমসতা য়াওহনখিবা অসি মণিপুরগী লাইবক ফবনি। পেরিসকী মতুংদা কুমজা ১৯০৮গী লণ্ডন ওলিম্পিক্তা, কুমজা ১৯২০গী অন্টৱের্প্তা, কুমজা ১৯২৪দা পেরিসতা অমুক পাঙথোক্লবা মতুংদা বর্লিন গেমসদা শগোল কাংজৈগী অরোইবা ওলিম্পিক ওইখি।

ওলিম্পিক অসিদা অর্জেন্টিনা, গ্রেট বৃটেন, মেক্সিকো, হঙ্গেরি অমসুং জর্ম্মনিনা শরুক য়াখি মদুদা অর্জেন্টিনানা গ্রেট বৃটেনবু ফাইনেলদা ১১-০দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা মনাগীদমক মেক্সিকোনা হঙ্গেরিবু ১৬-২দা মায়থীবা পীখি।

অরূম্বা থাঙ্গৎপদা ইজিপ্টকী অনৱার-মোহমদ-মেশবাহ অমসুং অষ্ট্রিয়াগী রোবার্ট ফেইননা লাইট-ৱেঠতা (কেজি ৬৭.৫) কিলোগ্রাম ৩৪২.৫ চপ মান্নবা থাঙ্গৎতুনা মালেমগী রেকোর্দ থুগায়রম্মী, মদুদা ইজিপ্টকী অনৱার মোহমদ মেশবাহদা সনাগী মেদল পীরম্মী। মরমদি মহাক্না রোবার্ট ফেইন্দগী আউন্স ৩.৫ হন্থনা লূম্বা মরম্না (হেন্না য়াংবা) কাঙলোনগী মতুংইন্না অহানবা মনা পীখিবনি। অদুবু অষ্ট্রিয়াগী টিম ওফিসলশিংনা ৱাকৎলকপদগী রোবার্ট ফেইন্দসু অহানবা মনা পীখি। মীদল-ৱেঠকী (কেজি ৭৫) চেম্পিয়ন ইজিপ্টকী খাদরসাইদ-ইল-তাওনিনা লাইট-হেভিৱেঠকী চেম্পিয়ন হোষ্টিন্দগী কিলোগ্রাম ১৫ হেন্না থাঙ্গৎলম্মী, ইল-তাওনি কুমজা ১৯৫৬তা য়ূম শেম্বদা ইলেক্ট্রিক্তিনা চিংদুনা শিখি।

ফিদর-ৱেঠতা অমেরিকাগী এন্থোনি-তরলাজোনা মাক্স-ৱালদর (জর্ম্মনি) না পায়রম্বা মালেমগী রেকোর্দ পূন্না কিলোগ্রাম ৩১২.৫ থাঙ্গৎতুনা থুগায়খি। অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখিবা ইজিপ্ট মচাশিং মথংশিৎনা সালেহ-মহমদ-সোলিমান অমদি ইব্রাহিম-হাসন-সেমসসু মালেমগী রেকোর্দতগী হেন্না থাঙ্গৎলম্মী। হান্নগী রেকোর্দ পায়রম্বা মাক্স-ৱালদর নিপানশুবা তাখি। ফ্রান্সকী লুই-হোষ্টিননা, লাইট হেভি ৱেঠতা অহানবা মনা লৌখি। অনীশুবা তাখিবা জর্ম্মনি মচা য়ুগেন-দ্যুটসনা স্নেটস অহুল্লক দিসক্কালিফাই ওইখি। পুং অমগী মতুংদা মহাক্কী স্নেটস অহুম অদুগী মনুংদা কাঙলোন চুম্না থাঙ্গৎখিবা অমা য়াওখি হায়দুনা জুরি-ওফ-অপিলনা মহাকপু অনীশুবা পোজিসন তাহনবদা অতোপ্পশিংনা নুংঙাইনদে। সুপর-হেভি-ৱেঠতা সনাগী মেদল লৌখিবা জর্ম্মনিগী জোসেফ-মেনজরনা থুগায়খিবা মালেমগী রেকোর্দ অদুগা লোয়ননা কেটেগোরি মঙা পাঙথোকখিবা অরূম্বা থাঙ্গৎপগী অথোই-অহেন তান্নবা অদুদা মালেমগী রেকোর্দ মরি, ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ অমা থুগায়খি।

নোর্থ-সী অমসুং বালতিক-সী শম্নরিবা অচৌবা কোঙ, কেইল-কেনালদা হি হোনবগী থৌরম পাঙথোকপদা জর্ম্মনিনা নুংথিল অমদা সনাগী মেদল মঙা থংন-থংননা লৌবা ঙমখি। লৈবাক অসিগী গুস্তাভ-স্কেফরনা শিঙ্গল-স্কলদা মকোক ওইখিবগা লোয়ননা প্যের-ওরদ-সেলগী থৌরম অনী অমসুং ফোর-ওরদ-সেলগী থৌরম অনীদসু মায় পাকখি। গ্রেট বৃটেনগী জেক-বেরেশফোর্দ অমসুং লেয়লী-সাওথৱূদনা শাবা দবল স্কলগী টিম্না জর্ম্মনিবু মায়থীবা পীদুনা সনাগী মেদল লৌখি। মসিগা লোয়ননা য়ু এস এগী ৱাশিংটন য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়না শাবা টিম্না মী নিপালনা হিরোই ওইবা কোক্স অমসু য়াওবা হিয়াংদা মকোক ওইখি।

কোক্সদ ফোর হায়বদি "ফোর ওরদ সেলদ ৱিদ কোক্সৱেন" হায়না খঙনবা হিমাইদা তান থানবা মী অমা ফল্লগা মী মরিনা হোনবা হিয়াংগী থৌরমদা জর্ম্মনি অমসুং স্বিদেননা মথংশিৎনা মকোক মথং তাখি। থৌরম অসিদা অহুমশুবা মনা ফংখিবা ফ্রান্সকী টিমদা নিওল-ভান্দর নাতে, মহাক্কী মপাইবুঙো ফর্ণান্দ অমসুং মখুরা মাসেল-ভান্দর নাতে য়াওরম্মী। হিরোই মঙানা টিম অমা শাবা থৌরম অসিদা চহী ১২দা ঙাইরিবা নিওলনা হিমাইদা ফম্বা 'কোক্স' ওইরম্মী। মপা-মচা পূন্না থৌরম অমদা ওলিম্পিক অমদা শরুক য়ামিন্নদুনা মেদল ফংমিন্নবা অখন্নবা খরগী মনুংদা মখোয়সু অমনি।

কুমজা ১৯২৪দা চামোনিক্সতা পাঙথোকখিবা নিংথমগী অহানবা ওলিম্পিক্তা স্কি জম্পতা সনাগী মেদল ফংখিবা নোৱেগী জেকোব-তুল্লীন-থামস বর্লিন ওলিম্পিক্তা য়োটচিংগী মিটর ৮গী থৌরমদা লুপাগী মেদল ফংদুনা কালেন অমসুং নিংথমগী ওলিম্পিক অনীমক্তা মেদল ফংবা মীওই খরগী মনুংদা অমনি। কেইল-কেনালদা য়োটচিংগী থৌরম পাঙথোক্লম্মী। মসিদা ফিন, ষ্টার, ৬-মিটর অমসুং ৮-মিটরগী থৌরমশিংদা অথোই অহেন তান্নরম্মী। ●